HUEIYEN LANPAO

"মপান নাইদ্রবা ঈপাক্তু তান্না, চেন্থবীরোনে ঐহাক্কী হিসে, হিনাও শারিবা হে শকউদবা।"
- খুমন্থেম প্রকাশ

ꯁꯩꯔꯦꯡ

ঐখোয়গী তুংগীদমক
— রন্ধীর থিয়াম

লান্দারকপদি ফন্না কুইরে
হিষ্ট্রিগী হার্দ-দ্রাইভ মুখৎনবা
তুংগীদমক ঙাকথোকচনবা পান্বৈদি-
পাসৱার্দ চেকশিঞ্জবা খক্তনি
ফূরুপ কাঙলূপ'মা মাঙখ্রবা
ম্যুজিয়মগী মেপকা পাঙ্খক্লি
মদুনবু থল্লিবনি সন্ত্রি-
সমিন অমত্তং পীবিরক্লৱা
হৌজিক্তি ফংলবনিনা সমিন্দো
চৎনহনবা হৌরসি এন আর সী
সিষ্টমসে স্কেন তৌথোকসি
মৈগী লানবন শেমহৌসি
অদৌদি সেন্সস হৌথসি
বেজ য়র ১৯৫১দৈ-
মৈরানবীনা পাইশিল্লকপদা চাকথেক্লবা
হার্দ-দ্রাইভতা ভাইরস চঙদনবা
মতমদুদা খঙগনি পুন্নমক
মখোয়গী পারি-পুরিগী হৌরকফম
লিৎল ফাওর শান্নফম।
অসুম্না লিক্লম শেমহৌরবা
সেদ্যুল্ড ত্রাইবতুমতংগা চলহৌরবা
ঐখোয় কঞ্জবা ঙমগনি
ফোল্ডর শেমহৌবা য়াগনি।
মাঙথারোয় কাঙবুনা চেকশিনসি
ৱাই ফাই হাপ্তুনা য়েংশিনসি
মীৎ কক্লা'মত্তং শোয়বদা
তুংগী দাটা মাঙখিদৌরিনি
তুংগী শুরোল মুৎখিদৌরিনি।

মুৎখ্র' মৈরা হিংলি
— জি বিজয়কুমার শর্ম্মা

য়াক্ল' ভারত রাজনিতিগী মৈশাদা
চেকখায়র' মণিপুর লৈমায় থক্তা
মুখৎপীখ্রবা মৈরাগা লোয়ননা
লেপ্লিবী নঙবু ইমা,
কুরোন হু খোঙপাক-খোঙনম
চেৎনা ঙাক নহাক্কী ফিরেপ
খাঙবনো অৱাবা কনাগীদমক?
লেপ্তুনা খোঙফম চেৎনা
পাঙ্গল্ল' পান্বোম্না
মুৎল' মৈরা ৱাংনা থাঙ্গৎ
লান্থেংননা থৌনা হন্দনা
চেকখায়র' লৈমায়গী মনিলদা,
ঙাইরি মপারী-মমোমশিংদো
চুখৎলরনবা মুৎল' ইমাগী মৈরা।
রাজনিতি-হূগী নোংলৈদা
মুৎখ্র' ইমা নঙগী মৈরা,
খঙবা ঙল্লক্লে ঙসিদি
নপারী-নমোমশিংনা,
লেপখো ইমা খোঙফম চেৎনা
থুংলরগনি মরী-মরী
চুখৎনবা মুৎল' মৈরা ইমা নঙগী।

শা
— এল চিত্র

থম্বদা থাজবা কান্নদ্রবা মীদুদি
করি কান্নরি থাজবা থম্বগী
থাজরুদে কনাসু পূন্সিদা
থাজরুবনি ঐনা মাবুদি
মাসু থাজখি কনাবু ঐগুম্না
মাসু থাজখিদে,
থাজবা থম্বদা কান্নদরে খন্দুনা মীদুবু
হে হায়দুনা ইরোইবা, ইরৈ কল্লবা পাক্লবা ইপাকপু
ঙম্নদে লানবদি কনাসু
ঐ মাবু থাজরুই, ইনীং তম্মী খন্দুনা
লান্দুনা পাক্লবা ইপাক্তু
ঙমখিদে পন্থুং য়ৌবদি
মসিনি ঐগী ৱারীসে
ওইহল্লে ঙসিদি থাজদবা ইশানা ইশাবু
মাঙখ্রে নীংতম্বা পূন্সিগী
লাঙ্গৈই চল্লে চিংনবনা
পূন্সিনা পূন্সিবু থাজদবা
থম্মোয়না থম্মোয়বু থাজদবা
ওইরকই শা মতমদুদা মীওইবা
ঐ ঙসিদি শানি
লান্থেংনরীবা হিংনবগী লানফমদা।

তাকপীয়ু ঐবু
— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

পূক্নিং ৱাখলদা ঈহৌরক্লে
মখল কয়াগী ঈফুৎশিংনা
মাইকৈ কদোম পাংনা
চেল্লুগনি হায়বা খঙদনা।
ঈফুৎ অসিদা য়াওরি য়ুগ
কয়া কয়াগী মুৎলরোইদবা
ইতিহাসকা শাগোন্নরক্লৱা
তুংগী মীরোলশিংগীদমক,
হৌখ্রবা লাক্কদবা কয়া
অসিগা ইতোৎ তোৎশিন্দুনা
লাংওন লংদাই অসিদা
মুৎনাইদ্রবা ময়েক্লা ইরদুনা।
হৌখ্রে মতম ঙসি হয়েং
হায়রদুনা করিসু তৌবা
ঙমহৌদে ফূরুপ অসিগীদমক
তুং-হন্না য়েংবদসু উখিদরে
অমম্বা অঙানবা করিনো খঙদরে।
চংশিল্লুরবা লম্বেল অসিদা
পন্থুংফম কৈদনো খঙদনা
লম্মুক্লরে ঙসিদি তাকপীয়ু
লম্বী লম্মুক্লরবা ঐবু
হে অমম্বা অঙানবা খায়রিবা
তাইবঙবু শেম্বীরিবা ইবুংঙো।

শক লোত্তুনা লাকখি
— নাওরেম মঙ্গি

শক লোত্তুনা লাকখি
অনাল পাখঙ অমগুম
নঙনা লংবা নুঙজাওদো
হৌজিকসু লেঙদনা লৈরিদো
অনাল খুল্লেন চীংথক্তা।
মশাবী শক্তম উবদা
শঙনুদো পুংশুম শুম্মৎখি
পাল্লৌদা থম্মোয় শিন্নখি।
পূন্সিগী লোয়নবী ওইদুনা
ৱাংব্রেনগী তুং ইঞ্জখি।
শঙনু কৌবী শকহেনবী
ঈরৈমা মিংথোল পীদুনা
লাইজনুংদা পুথখি
পলেম পন্থৌ কায়নখি
মশাবী মশক খঙজখি।

ইকায়খূম্নবগী ফিদা ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী

মতম মতমগী ৱাখল
মাখোনমনি মোংসাবা

দিগ্রী পীবসি মখল অমদি হীরম কয়ামুক্তা পীনরকই। মহে-মশীং তম্বগা মরী লৈননা হীরম অমদা নৈনদুনা থিজিনবা মহেরোয়শিংদা পীবা, পি আইচ দি দিগ্রী হায়বা অমা, অতোপ্পা অমনা ওনরেরি দিগ্রী হায়দুনা ইকায়খূম্নবগা লোয়ননা য়াম্না তাঙনা থোকপা, থোইদোকপা লম, হীরম অমদা মশক থোক্লা কৎথোকপগা লোয়ননা শরুক য়ারকখিবা অখণ্ড অহৈদা পীবা এৱার্দ অমগা অনী অসিবুনি দোক্টরেট অমদি ওনরেরি দিগ্রী হায়না খঙনরিবসি। এৱার্দকী মতাংসি য়ামখ্রে। এৱার্দ শীনবা কাঙবুসু লৈরি। ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী অসিদি থোয়দোকপা ইকায়খূম্নবনি, অখন্নবনি। ইকায়খুম্নজগদৌরিবশিং অসিদা চাংয়েং চঙদে, লমজিং লমতাকপা (গাইদ) গী থোইদোকপা মথৌ তাদে। অকক্লবা মতম চহী থোইদোক্তে। তোঙানবা কাঙলোন অমগী মখাদা অৱাংবা থাক্কী য়ুনিভর্সিটিশিংনা ইকায়খুম্নবা ওইনা পীজবা ওনরেরি দিগ্রীনি। পংপীদা পীবা ওনরেরি দিগ্রীসু ওইদে। মহেরোয়শিং রিছার্চ স্কোলারশিংদা পীবগী মওংগা মান্নদে, মশীংসু য়ামদে।

অসামগী ফোক সিঙ্গর অমদি কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা ভুপেন্দ্র হজারিকাবু মহাক্লা হোৎনখিবা কলা সংস্কৃতি অদুবু ইকায়খুম্নবা ওইনা টেজপুর য়ুনিভর্সিটি, অসামনা কুমশীং ২০০১দা ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী পীদুনা ইকায় খুম্নখি। ভুপেন্দ্র হজারিকানা হিংলিঙৈদা লৌরমখিবা থৌদাং অসি য়ামখ্রে। ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনা মণিপুর য়ুনির্ভসিটি, কাঞ্চিপুরনা ১৪শুবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কনভোকেসন, কুমশীং ২০১৪ দা অহল ওইরবা অমদি অরীবা সোসিয়েল ৱার্কর, পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অমা ওইনা রিশাং কৈশিং, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মতম শাংনা লৈঙাকপীরম্বা অসিদা ইন্দিয়াগী প্রসিডেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা ইকায় খুম্নবগা লোইননা ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী অসি পীবীখি। নুমিৎ অসিমক্তদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট, ফোক লোরিষ্ট লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমারবুসু হায়রিবা ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী অসি পীবীদুনা ইকায় খুম্নবীখি। মতৌ অসুম্না ওজা রতন থিয়ামসু ইন্দিয়া মনুংগী ওইনা রবিন্দ্র ভার্টি য়ুনিভর্সিটি, গুৱাহাটি, অমদি অসাম য়ুনিভর্সিটি, সিলচরনা ওনরেরি দোক্টরেট ওফ লিটরেচর (দ.লিট্ট ২০১৩) তোঙান তোঙান্না পীবীখ্রে। মীরমদম মীরৈবাক্লা পীরকপা এৱার্দতি য়াম্না লৈখ্রে। ঙরাং নহান্তা হায়বা য়াই, কুমশীং ২০২২ অসিদা লাইশ্রম বোবী ইকায়খুম্নজরিবী লমদম অসিগী শক্লাইবী অমসুং সোসিয়েল ৱার্করগী লমদা লেমজনীংঙাই ওইরবা ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী অসি কমনৱেল্ট ভোকেস্নেল য়ুনিভর্সিটি, তোঙ্গানা পীবীখি।

ওনরেরি দোক্টরেট দিগ্রী অসি মালেমগী মশক্লাইবা অৱাংবা য়ুনিভর্সিটি অমদগীসু হেক্তা পীবীরকপা য়াই। মসিগীদমক মতীক চারবা, দিগ্রী পীবা য়াবা লমদম অসিগী তোঙানবা হীরমশিংদা কৎথোকপীরীবা মীওই কয়া লৈরি। দোক্টরেট দিগ্রীশিং ফংনবগীদমক্তা মশানা কোয়চেন চেল্লুবা অদুমক্তি তৌনদে। মতীক চারবা মীওইশিংবু উপ্পা তাবা উনা লোংনা হাইগৎ, লোংনা তাবা উনাবু উপশিনবীদুনা কোইথি থিবীদুনা মিং থাগৎপীবা অখণ্ড অহৈশিং অমুক চঙলি। অখঙবা এক্সপর্টশিংনা মরী লৈনবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিং থাগৎপীরগা এক্সপার্ট কমিটি অমনা অমুক য়েংশিনবীরবা মতুংদা পীবীবা ইকায়খুম্নবগী মমল য়াম্লবা ফিদা অমনি। এৱার্দশিং অসি মশা হিংলিঙৈদা অমদি লৈখিদ্রবা মতুংদা পীবা হায়দুনা অনীথোক্লা অমুকসু চৎনরি।

মীওইবসি মখল য়াম্মী, মনা মথুমদা লাংতক্লজবা, মসিগীদমক ইখৌ লাংজবা কোইহং হংজবা কনাগুম্বা খরসু লৈরম্বা য়াই। ঐখোয়গী অহল লমনশিং, ওজাশিং, মশক্লাইখিবশিং অসিদি থোইদোক্লা মনা মথুমগী ৱাখল অদোমদা খল্লগা থবক তৌরুবদি নত্তে। এৱার্দকী ৱাখল লৈতে। মনা-মথুমগী ৱাখল খল্লগা শরুক য়াবসু থেংনদে। লমদম অসিগী লৈজরিবা নাৎকী মশকশিংগী ওইবা হীরমশিংদা, মীরোলদা হায়জরগনা কলা সংস্কৃতি, আর্ট এন্দ কলচরগা মরি লৈনবা থৌরমশিং অমদি মীয়ামগীদমক চোংথোকপীদুনা মখোয়না ঙম্বা, অখঙবা অদুদা শরুক য়াজরুবতনি। মরৈবাক, মরমদম অমদি মনাৎ নুংশিজবগী চোংথোকচবনি, কৎথোকচবনি। মতম অসিদদি অসিগুম্বা মীওইশিংসু মশীং য়ামদ্রবনি।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি, উনা উনা খঙনা খঙনা মী মশক খঙবীবা ৱাৎপা, ঐখোয়গী লৈজরিবা মীওইশিংবু মীরাইরকপগী ৱাফম অমা লাক্লিবা অসিনি। মীগী মতীক ময়াই খঙনা ইকায়খুম্নবা উৎপীবসিমদি মীরম্না হেল্লি। ঐখোয়গী লমদম স্বাইদদি করি ওইনা লৌবনো মসিমদি হায়বা ঙমদ্রি। ৱাফমসি মতাং, মফম চাবা অমদা খন্ন-নৈনবা অমুক্তং চুম্মী। মণিপুর অসি কনাগীনো? মণিপুর নুংশিরিবসি কনা কনানো? মণিপুরগীদমক কনা কনানা করি হোৎনরিবগে? করম করম্বা মীওইশিংনা লমদম অসিগীদমক করি থৌদাং য়ারিবগে হায়বসি মীকোক থীদোকপগুম খন্দোকপা চুমগদৌরি। ইরমদমগীদমক হোৎনজবা, খঞ্জবা, মানা মানা ঙম্বা হীরমশিংদা থৌদাং লৌজবা কয়া অমা লৈরি। হিংমিন্নরিবশিংগী মরক্তা লৈপাক্কীদমক চোংথোক্তুনা কনানা করি তৌখিবগে, তৌরিবগে হায়বসি থিদোক্তুনা খন্দোকপা, খঙমিন্নবা মথৌ তারক্লি। মতাং অসিদা ৱাফম অমা অমুক থোকলকই। মতম অমদি কলা সংস্কৃতিগী লমদা শিনফম ওইজখিবশিং অসি লাইরিক লাইশু হৈতবনি অমদি হন্থবা শিনফমদা শরুক য়াবনি হায়না খন্নখিবা লৈখি। মনমসি হৌজিকসু কোক্তবগুম তৌরি। সোই চৎপা(সিগনেটরী ওইবা মীশক) মীখক্তনা লাইরিক হৈবগুম, লৈপাক্কী থবকতৌবগুম্না খন্নখি। শান্ন-খোৎনবা, জগোয়, ঈশৈ, পুং তৌবা, লীলা দ্রামা তৌবসি লাইরিক হৈতবা ঙাক্তগী শিনফম্নি খনবা মী হৌজিকসু য়াওবা মাল্লি। লমদম অসিদা মীপূম খুদিংমক চপ মান্ননা ইকায় খুম্নবগী মফম অমা থম্নবা হোৎনবীরক্তবা কুইরে। রাজনিতি তৌবশিংনা অমুক লৈপাকসি মখোয়না চলাইরিবনি, মখোয়না মপূনি খনবগুম্বগী থৌওং উৎলি। ৱাফম অমগা হায়রুবসি নিবনি খল্লি। মসিগা চপ মান্নবা মওংসি অমুক কনাগুম্বা অচৌ অশাং নৎত্রগা ফম্নাইবা খরগী মরক্তসু থেংনরি। মতাং মতাংগী মফম মফমগী চাওনবনি হায়বা তারে। মণিপুর মশক তাক্লকপদদি রাজনিতি, ফম্নাইবা অচৌ অশাংনা ঙমদে। লাইরিক লাইশুগী মঙাল ৱাৎচবা লৌমী অমনা পুথোকপা ফৌ, শিল্পী অমনা পুথোকচবা খুৎশা হৈবগী পোৎথোক্লা, সঙ্কীর্তননা, লাই হরাউবগী জগোয়না, মহারাসকী জগোয়না, থাংতা, শুম্মাং লীলা, শান্ন-খোৎনবনা, থিয়েটর অমদি সিনেমানা লমদম অসিবু মীরমদা মশক তাকপনা হেল্লি।

পূম্নমক অসি তুংওইনরম্লগা থমজনীংলিবদি- নুমিৎ খূদিংগী ফোংবা অয়ুক্কী পাউচে, এপ্রিল তাং ৩,২০২৬ ইরাই নুমিৎকী পোক্লফমগী অহানবা লমায়দা 'অফোংবা চিথি' হায়বা ইকায়খুম্নজরিবা অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা মণিপুরগী গভর্নর শ্রীঅজয়কুমার ভল্লাদা খঙহন্নবা থাখিবা চিথি মরোল অসিনি। চিথি অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী একজিক্যুটিব কাউন্সিলনা 'ওনরেরি দিগ্রী' পীনবা লৌখিবা ৱারেপ নাথৈখ্রব্রা হায়বা ৱাহং অমা হংখি। চিথিগী মরোলদগী খঙবা ঙম্বদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী একজিক্যুটিব কাউন্সিলনা 'ওনরেরি দিগ্রী' পীনবা লমদম অসিগী মীশক অহুম রতন থিয়াম, গুরু শৌগাইজম থানিল অমদি অরিবম শ্যাম শর্ম্মা ইকায়খুম্নরিবা ওজা অহুম অসি 'ওনরেরি দিগ্রী' পীনবা ৱাফম ককথৎখিবগী পেন্দবা ৱাকৎ চিথিনি। ইকায়খুম্নজরিবা অহুম্মক থিয়েটর, সঙ্কীর্তন অমদি ফিল্মগী তোঙানবা হীরমশিংদা মশক নাইখিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী ইরক্তা হিংদুনা হৌজিকসু নাৎকী থৌরমশিংদা শরুক য়াবীরিবসি ইকায়খুম্নজরিবা অরিবম শ্যাম শর্ম্মা খক্তা ঙাইরে। অহল ওইরবা ইকায়খূম্নজরিবনা 'ওনরেরি দিগ্রী' ককখিবগী মতাংদা নুংঙাইতনা হায়রক্লিবসি খন্নবা চুমগনি। এৱার্দ পান্থগী নত্তে, নেস্নেল এৱার্দ মশীং খঙদনা ফংবীখ্রবনি। ইকায় খুম্নবগী ফিদা হন্দক হুগৎপীখিবসিদি তুংদা লাক্লিবশিংগী খল্লগা খৈনা ৱারৌফম থোকই। ইকায়খুম্নজরিবা ওজাশিং অসিনা মণিপুরগীদমক লৌরকখিবা থৌদাং অসিদি হীরম অসিদা খোঙ থাংজিন্দ্রিবা অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী লম অসিদা মায়পুনদ্রিবশিংগী মফমদদি উদগী তাবমুক পঙখিগনি। অহল লমনশিং ওজাশিং অসিগী মহুৎ শিনবদি মপোক অসিদদি নমু তাইবং মী থিবদা ৱারগনি, লৈররোই। মপান থোক্লা পেন্দবগী ৱাহৈ থল্লকপসি তরাইনা লৌবা চুম্লোই। সমুকনাথন কৌবা মণিপুরগী গভর্নর অমনা মণিপুরী কলচরগী মরমদা ৱাহং অমা হংলকপদা ইকায়খুম্নজরিবা পাবুং অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা চেফোংদা পাউখুম পীখিবদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি।

লোইবা নাইবা মীওইবা মপোক্লি। হিংলিঙৈদা মীয়ামগী লৈপাক্কী, খুন্নাই অসিগী অফবা মশক থোকপা খরা তৌবীরম্বা মীওই খূদিংমক ঐখোয়না ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই। লৈরম্বা খুভম অমা মাঙহনখিবা মুৎথৎখিবা হায়বসি অমুক হিংগৎহনবদা অৱাবা ওইগনি। তুংদা লাক্লিবা কয়াগীসু লম্বী অমা শেম্বীরম্বনি খল্লগা মতীক চাবা মীদা ইকায়খুম্নবগী ফিদা থাবীরিবসি মতম পূন্থগী ওইহনসি। খ্বাইরাকপম চাউবগী শৈরেং অমা নীংশিংলকই- নিজরোই ইমা অতোপ্পা অমা পলেম খুয়াখাদা। মিহৌজদে লনসু কল্লউদে মিংচৎসু, পান্মুদেকো অৱাংবা খুভম। পীবীয়ু মফম লেঞ্জগে মতম, পলেমগী নুংশিবা তম্পাক্তা ইমানা তম্বীবা নাৱাগী খোঞ্জেন্না শকচগে মপুগী কোলোয়।

মীগী লমদা হৌজিকসু ওনরেরি দিগ্রী পীদুনা ইকায়খূম্নবা উৎপা লেপ্তুনা চৎনরি। ঐখোয়গীসু করিগীগুম্বা থৌওং অমনা ককহন্দবা চুমগনি। অফোঙবা চিথি অমা ইদুনা ৱাহং হংলক্লিবসি পেন্দবগীনি। খঙখিদবা ওইরগদি করিসু কায়দে পীগনি হায়না তাখিবগুম তৌরগা ককথৎলে হায়না অমুক তাহল্লগদি নুংঙাইফম করিসু থোক্তে অমরোমদা তৌহৈদবা অমসু ওইগনি। কনাগুম্বা অমক্তগা ৱারেং অসিগা মরিদি লৈনজদে। অফবদি মীয়ামগীনি। অমুক্তং খন্নবীনবা মরি লৈনবশিংদা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭৪২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

নহাকপু লাও ও। নহালঙৈ হৌখিবা মতমদা। থোংনাং ঐগী তখেন অথৌবা লানমীনা। খারম লমপাল লোইথৌঙৈ। ময়ুম পোইরৈ মৈতৈ লৈবাকনা। তুলাই লেংপু য়ানথেকখিবা নুমিৎ। লাংগোই শগোল মোইশা মুননা লৌখিবা থৌদোকৱা। ৱাংলেল পুঙমাই য়ানফৎখিবা নুমিৎ লৈখিদো। লাইরিক ভাগবত ৱাহৌগী। তেকখাওগা ঙাই ওইনগে ৱাহায়ঙৈদসু। থোংনাং তখেন ঐহাকপু। য়াংদৌ লমবী লমখাং পোৎথিনলোই। লাংগোই শাথিনলোইবু ওইনগে হায়না। খুজিল থৌরাংখিবা নুমিৎতুগী থৌদোকতো। থোংনাং ঐনা কাওবা ঙমদনা লৈরিয়ে। পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক তমপাকতা চৎতুনা হুয়েল লানদারু ও। হায়না থৌদা য়াথং পীখিয়ে। তখেল লাললোই হৌনা। হুয়েল লালদারকঙৈদা। মাইকৈ নোংপোক থংনা লমদসু। ●

[illegible]

লৈচিল মপৈ - ৭

মীৎকী পিরাংনা গঙ্গানা ঈহৌরকপগুম মায়থোঙ থম্বাল পুমচোৎ চোৎলে। নুজা মাগী মতৌ য়েংবা ঙমদ্রমাল্লে হৈপাল-লৈপাল পূন্থা তূমিন লৈখ্রে।

"হে ইমা বৃন্দরানী, নচা লাইবক থীবী চৎচরগে। নচাবু ৱারৌবিনুকো ইমা। নচানা ইমাবু ঙসি কোরৌ নুমিত্তগী থৌগল তৌবা ফংজরোইদৌরে। হয়েং ইনুংশোরা তৈনা ঙাল্লগা ইমান্নবীশিংদা পূকমেন পাউমেনবিয়ু, নচা ঐদি চত্তবা য়াদদনা চৎলবনি। নতা ঐবু ৱারৌবীনু তম্বীয়ু।"

সোরো মশাগা থাদোক্লন্দবা ফি অমা কত্তুনা খুরুল্লক্লে। মখূৎ ৱাংনা থাংগত্তুনা নোংমদোলথক্তা ওল্লগা মমাবু কৌরক্লে,

"হে ইমা লাইবক চাউবী, নচাবু করিগী হুন্দোকপীরল্লিবনো? কল্লক চাউবা সংসারসিদা নচাগী লৈফম লৈতেনে ইমাগী নাক্তা লাক্লগে।"

খঙহৌদনা শত্তোল্লক্লে ফিনুংদগী তুম্লবা লংলবা থাঙ...। ও, করম থোক্লগাবা! সোরোগী নাকোংদা খোঞ্জেল অমা তারক্লে - 'ইমাগী ইবেম্মা, করিনো নঙনা তৌরিবদো, হৌনদে হৌনদে।'

"ইমা নচাবু অমুক খান্বীরনু, সংসারসিদা নচা ঐহাক হিংনা লৈজনীংদ্রে। নচাবু খান্বীরনু।"

থাঙ অদো, থাঙ অদো, ও! ওস্থোকপনি। থিনজিনখ্রে থম্মোয় থুন্না। শাৎলম্বা হৈপাল-লৈপাল পূন্থা নুজা মাগী অৱা মৈচাক উবদা হাইনা-হুন্না খাঙলক্লে। মালয়া নুংশিৎ নামিবসু নুজা মাগী অৱা মতৌ উবদা নাকোয়ননা শীৎখ্রে। নুজা মাগী অৱা মৈচাক উবদা অতিয়াদা মঙাল পীরিবা থাজ মাসু হন্না য়েংলমদা লৈচিল মরুমদা লৈথখ্রে।

"ইমা... মা...! ই... মা...।"

মতৎ-মতৎ ওইবা ৱাহৈসি নত্তনা লেকথখিবদগী লেঙখিদ্রে। অমম্বা কৌবী মহাকসু মতম লোইরে মতাগুম চৎখ্রবদা অঙানবা কৌবা মহাকসু অরঙবা মশেক মঙালগা লোয়ননা তন্না থোরক্লে। **— সামোম রঘুমনি**

ৱারী ককনাউ

ঐদি পাখঙ শরিনি

"খাম্মো খাম্মো খাম্মো?"

লৈশাবী ময়ায় ওইরপ্পীদগীনা অনৌবা শঙ্গু অমা য়ৌ লাওনা ওমশিল্লকই। হন্দক সোশল মীদিয়াদা নুপী থিবা কাঙবুনা থাবল চোংবা য়ানি-য়ারোই হায়না ফজদবা ৱাহৈ ময়াম অমা হায়দুনা তৌবদু উরুবদগী ঈ কাদুনা লৈরিঙৈদা থবক অমা চৎলুগে হায়না থোরকপদা চৈরাওবগী থাবল চোংনি হায়না লৈশাবী কাঙবু অমনা লম্বীদা গাড়ী থৎলগা লৈরম্মে। লম্বী অচৎ-অওক্তা থৎলগা শেল খায়বগী থবকসি তৌবীরনু হায়না কাঙবু খরনসু ফন্না কন্না হায়খিবা তাহৌই। অদুবু কনামত্তনা মৱা লৌদবদৌনা অদুম লম্বীদা গাড়ী থৎপা উই। য়াওশঙ মনুংসু কৈসু। হৌজিক্লা অমুক শজিবু চৈরাওবদা থাবল চোংগনি হায়না লম্বী থৎলিসিনি। হান্নদৈ হৌনা ঈ খরা কারগা লৈবগা করিগা মপা ইচা চাদনা থোক হেক গাড়ীদু খাম্মগা, খোঙনা ঙাক্লগা ওমশিল্লক্লিবা লৈশাবীশিংদুগা ৱাফংনৈ।

"করি তৌবা য়াওরে, কনা-কনা অশোক-অপন য়াওবগে, করি মতেং পাংলমদুইনো?"

"ঐখোয় চৈরাওবদা থাবল চোংগদুইনি, অদুগী শেল খায়রিনি, হাপ্পম্মো"

"করি হায়বা?"

"থাবল...থাবল চোংবগী কৈনোনে, অমুক হায়বদা খঙদবসিবু, না-গা পঙবীবরো?"

ঐ মখোয়গী মরক্তগী অমনা হায়রক্লিবা ৱাফমদু তাবদা পূক্নিংসিদা জিং লাউবা অমা ফাওরগা খল্লি- "লম্বীদা অরাকপদা থৎলগা শেল নীবদবু কয়া চাউনা পোঙনা হায়খ্রবনো? ওস্থোকপা হায়দুনিদা, হৌজিক্কানগী অঙাংশিংসি ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমত্তা ফজদ্রেবো। সিনবু কমাইনা খুন্নাই অসিগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবনো? নুপীদা এম্পৱারমেন্ট পীগদবনি হায়না কন্না লাউনরি। ইন্টরনেশনল ৱিমেন্স দে ফাওবা পাঙথোক্লি। অদুগা ঙাঙলক্লিবা ৱাতা-খোন্দাসিগা ওস্থোক্লা চুনখিদ্রে। নুপীদা অহেনবা পৱারগা পীরুবদি কৈনোনে তৌদৌরিসিবো?" ঐগী গাড়ীগী ছোদু লৈশাবী অমনা মখূৎ থিনজিল্লরুগা শৎনবা তৌরকপদু পুলিস ওইনীংদুনা লৈরিবা ঐগী মীৎশিং-নাশিংবা হৈনবী অমা লৈবদগী ঐনা ছোদু তাপ লাউনা পায়রগা শৎতোকই।

"কৈগীনো গাড়ী ছোগা শৎকে তৌরিসিনা?"

"চেনখিদনবা, ফারবনিনা চেনবা য়াররোই, শেল পুথোরকও, হাপ্লো?" খুজিনদু ঙাংশংঙাংনা শংলগা মখূৎতু তিংথোরক্লগা ঐগী মাঙদা মখ্বাং মেৎতুনা লৈবী মমাঙ থংবীদুদা ওনশিন্দুনা ঐনা হংলুই।

"ফরে-ফরে ঐ শেল হাপ্পগে, অদু ৱাহং অমদি হংগে?"

"য়াই য়াই হংউ" দ্রামাদা কোরস আর্টিষ্টশিংনা চপ মান্ননা হায়রকপদু ঙাই। ময়ামদুনা য়ৌ লাউনা হায়রকপনি। ঐসু নুংঙাইরে, মসিদি তাঞ্জা অমা লৌহৌরগে হায়দনা হংলুই।

"নুপী থিবা নুপাদি থাবল চোংবা য়াওবা য়াগদ্রা?" লৈশাবীশিংদু অমগা অমগা য়েংনৈ, জুরু-জুরু, শুরু-শুরু কৈ-কৈনো ঙাঙনৈ। অমনা তাপ ওক্লকই।

"ঐখোয়গীদি য়াই, নুপাবু ওইরদি অদুম চোংবা য়ানি"

"হয়েং অমুক য়াদে হায়না লাউথোরক্লদি কমদৌবা?"

"অদুদি মৈরা পায়বী অমদি ভোলন্টিয়রশিংনা তৌগদবনি, ঐখোয়গীদি কৈসু কায়দে"

"অদু য়াদে, নাখৈ অমা শেংনহৌবা ফৈ"

"ঐখোয়গীদি শেংনা হায়রিসিনি, কৈসু কায়দে"

"করিগুম্বা চোংবা য়ারোই হায়না হায়রক্লদি, ঐনসু অমুক লাউরক্কনি"

"করি হায়না লাউদৌরিবা?"

"লাউনি হায়রিসিনি"

"অদু লাউদৌরিদু করিনো হায়বা?"

"লাউদি শোয়দনা লাউরক্কনি"

"ৱা য়াম ঙাঙনখ্রেবো, হাপ্তৌবা লিশীং অমরা অনীরা কোক হাপ্পগা চৎখি য়ারদুবু"

"নাখৈ শেংদ্রদি হাপ্পা য়াদেনে"

"শেংনা হায়রিসিদি?"

"অদু য়াদে"। তুং থংবী লৈশাবী অমনা খুম্মকই।

"খঙই মসি নুপাসি নুপী থিরম্মনি, লিসু লিরে"

"লিসনু কৈনো। মোরোক অকঙবা শারিদুদি?" ময়ামদু ৱা লাউনা নোকই।

"ফরে ফরে হয়েং ককানা লাউদৌরিদু কৈনো হায়রো?"

"ককা হায়রক্কনু, ঐ নুপী থিদ্রি, পাখঙ শরিনি" অদুদসু মোই ময়ামদু ৱা লাউনা অমুক নোকই।

"কায়দে-কায়দে, পাখঙ শরি ওইরসু, নুপী থিবা ওইরসু, শেল হাপ্পদদি চপ মান্নৈ। শেলগী ভেল্যু হন্থবা নত্তে"

"করিগুম্বা নুপী থিবা থাবল চোংবা য়ারোই হেক হায়রবা"

"হোয়নে হায়রোনে"

"ঐনা হয়েং লাউরক্কদৌরিনি, হৌজিক থাবল চোংবীরিবী লৈশাবীশিংসিদা করিগুম্বা অমত্তা হায়জগে, চেল্লুরবী, ময়ূম পাল্লুরগা হল্লকপী, লুহোংলগা মপামদা লাক্লগা থাবল চোংবা য়াওরবদি থুনা থোকপীয়ু, শিঞ্জরিবা থাবল অসি শেল য়াম্না চঙনা লৈশাবীশিংনা পাখঙশিংগীদমক শিঞ্জবনি। থুনা অমুক্তা থোকপীয়ু নৎত্রবদি লুহোংগে হোংউ, হোঙলোই তোকউ, লৈশাবী শারগা লৈশাবী নত্তবা কয়াম য়াওরিগে হায়বদু লোইনা খঙবা য়াওই। অদুসু ঐখোয় চেক তৌজরনি"

"চথোহে, তুক্কচৈহে, করি নুপানো, মী উশিত্তবা অমা য়াওরে, নঙগীসি"

"উশিত্তবা নত্তে হায়দা য়াদবনি। নুপী থিবা নুপাদি থাবল চোংবা য়াওবা য়াদে হায়রদি, লৈশাবী শারগা লৈশাবী ওইদবা ময়াম অমা থাবল চোংবসু য়াওবা য়ারোই হায়বা তাবনি"

ময়ামদুগী মরক্তা সনগ্লাস অমুবা উপ্পী লৈশাবী অমা য়াওই। মাদি তিং শোক্লা শাওরুব্রা কৈনো, নৎত্রগা মশানা মবুক মাংবনরা কৈনো খঙদে, উপ্পম্বা আনোকতু মখূৎ ওইনা মমায়দগী শৎ লাওনা লৌথোক্লগা, মখ্বাং থেক্লপ তৌরগা ভোল্যুম খিত্তং ৱাংনা হায়রকই।

"য়ারে তোকও, হাপত্রসু য়াই। ৱাথী-ৱারেম তানীংদে" হায়রম্লগা থেক-থেক্তুনা থোকখি। মাগী মতুংদা অম্মম অনী তপ্পা-তপ্পা ইন্নখি। মখোয় তরামুক্লা য়োল্লম্বদু তঙ্খাই অমরোমদি থোকখ্রে, তুং হন-হন্না য়েংলগা, মখোয় মঙামুক্তং নাখৈ শেংনা লৈহৌই। ঐনা ফুরিৎখাওদগী লুপা ৫০০ চৎপী অমা লৌথোক্লগা পীরম্মী।

"সে সে সে লুপা চামঙাসি হাপ্পগে"। ঐনা পীরিবা শেলদু হরাওনা লৌরগা,

"থাবল চোংবসু লাকপীয়ুকো"

"লাক্কে লাক্কে, অদু ঐদি পাখঙ শরিনিকো" ●

- নরেন্দ্র নিঙোম্বা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।